# ইন্দিয়াগী সৌরব ভর্মা রসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



ব্লাদিবোষ্টোক, জুলাই ২৮ (এজেন্সী)ঃ রসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা রসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী সৌরব ভর্মা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ২৫ দা ঙাইরিবা সৌরব ভর্মানা মতম খরা অশোকপা লৈবদগী কম্পিটিটিভ টুর্নামেন্ট শরুক য়ারুদ্রবা মতুং রসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট শরুক য়াদুনা সেমি ফাইনেলদা ঙসি অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মিথুন মঞ্জুনাথপু ২১-৯, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

সৌরব ভর্মানা হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নগদবা ফাইনেলদা জপানগী কোকি ৱাতানবেগা লম্বা তৌনগদৌরি। য়ু এস দোলর ৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা রসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী প্যের কুহু গর্গ অমসুং রোহন কাপুরনা সেমি ফাইনেলদা মলেসিয়াগী প্যের চেন তান জৈ অমসুং য়েন ৱৈ পেককা অকনবা লম্বা অমা থেংনরগা ২১-১৯, ১১-২১, ২২-২০ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী প্যের অদু টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকপনি। মখোয়না ফাইনেলদা রসিয়াগী ব্লাদিমির ইভানোব অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মিন ক্যুং কিমগী প্যেরগা লম্বা তৌনগদৌরি।

ইন্দিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা নুপাগী দবলসকী শান্নরোয় অরুন জোস অমসুং সনয়াম সুক্লা সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ প্যের ওইখিবা য়ূম্বু রসিয়াগী শান্নরোয় কনষ্টেন্টিন অব্রামোব অমসুং অলেকজেন্দর জিনজেদকোগী মখুৎতা ১৫-২১, ১৯-২১ দা মায়থীবা নংখি।

## জর্মনিনা স্পেনবু ৩-১ দা থোইবা ঙমখ্রে




লন্দন, জুলাই ২৮ (এজেন্সী)ঃ

লন্দনগী লি ভেলি হোক্কী এন্দ টেন্নিস সেন্টরদা চথরিবা নুপীগী হোক্কী ৱর্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা পুল সীগী মেচ অমদা জর্মনিগী টিমনা স্পেনবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইবা ঙমখ্রে।

পুল অসিদা জর্মনিনা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেচ অদুদা মমাঙদা মায় পাকখিবা মেচ অনী অদু থারগা ঙসিসু মায় পাক্তুনা মেচ ৩ শান্নবদা ৩ মক থোইদুনা পুল অসিগী মকোক ওইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

জর্মনিগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৫ শুবা মিনিটতা স্রোদরনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অমা শোত্থরবা স্পেনগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ অদু লোইগদবা মিনিট ৫ ৱাৎলিঙৈদা টিম অদুগী শান্নরোয় লোপেজনা ইক্কেলাইজর অদু ৩০ শুবা মিনিটতা চনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনিট ৭ চঙশিল্লকপদা জর্মনিগী মায়কৈদগী ওনিজনা মহাক্কী টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা স্পেনবু ২-১ দা হেন্দুনা লৈখি। মখা তারকপা শান্নবগী ৪০ শুবা মিনিটতা এটেক হেন্না চথবা ঙমখিবা জর্মনিগী মায়কৈদগী হুসেনা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লগা স্পেনবু মেচ অদুদা ৩-১ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## ১৭ শুবা ইষ্টর্ন ইন্দিয়া মেন্স এন্দ ৱুমেন্স বোদিবিল্ডিং

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস)ঃ বিহারগী পটনা সিটিদা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৮ অমসুং ৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৭ শুবা ইষ্টর্ন ইন্দিয়া মেন্স এন্দ ৱুমেন্স বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী নুপাগী শান্নরোয়শিং খনবগী ত্রায়ল সেলেক্সন অমা ওগষ্ট ১২ দা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।



# কে ৱাই এফ এ অমসুং এম এফ এ মায় পাকখ্রে, মেচ অনী অমনা গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস) ঃ নেরোকা এফ সী ফেন ক্লব ওরেঞ্জ বৃগেদনা শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোদোম্পোকপী মমাঙ লৈকাইগী এস সী কে গ্রাউন্দদা থাংজ অমসুং নোংমাইজিং খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল অন্দর ১২য়ুথ লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈ অমসুং এম এফ এ খাবম মায় পাকখ্রে। অদুগা মেচ অনীনা গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

টিম ২২ না গ্রুপ মরি থোক্লা খায়দোক্তুনা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল অন্দর ১২ য়ুথ লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ২৫ শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা গ্রুপ সীগী খুনৌ এফ সী অমসুং কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈনা য়াম্না লাকচনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈনা খুনৌ এফ সীবু ১৪-০ দা গোলগী নোং হৈথখি। কে ৱাই এফ এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু য়াইখোম্বনা মেচকী ২ শুবা, ৪ শুবা, ১১ শুবা, ১২ শুবা, ১৩ শুবা, ১৫ শুবা, ১৯ শুবা অমসুং ২৯ শুবা মিনিটতা দবল হেট-ট্রিক লৌদুনা গোল নিপাল চনখি। রোসননা মেচকী ৮ শুবা, ১৯ শুবা, ২১ শুবা অমসুং ২৫ শুবা মিনিটতা গোল ৪ চন্দুনা হেট-ট্রিক লৌখি। অদুগা এরিসনা মেচকী ৭ শুবা অমসুং জাসাসনা মেচকী ১০ শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২৬ শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা গ্রুপ সীগী এস এ ৱাই য়ু সী অৱাং খুনৌ অমসুং ও এস এ ওইনাম শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল চন্নদনা ০-০ দা দ্রো চৎখি।

২৭ শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদা গ্রুপ সীগী বি এফ সী সয়াং অমসুং এল কে ৱাই দি এ লাইফম খুনৌ শান্নখিবা মেচ অদু গোল অমত্তা চন্নদনা ০-০ দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা অমসুং ২৮ শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৫ তাবদা গ্রুপ এগী এস এফ সী খা সঞ্জেনবম অমসুং এম এফ এ কোন্থা খাবম শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ৫ শুবা মিনিটতা এম এফ এগী মালেমঙানবনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনশিন্দুনা মহাক্কী টিমনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থাহনখি। এস এফ সীগী মায়কৈদগীসু এম এফ এনা অঙনবা মতমদা মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা অমতা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী ১২ শুবা মিনিটতা এম এফ এগী অকাশনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনশিনখি।

এম এফ এগী মাঙজিল থারিবা অমতা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোক্নবা এস এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা হোৎনরিঙৈ মীকুপ্তা এম এফ এগী অকাশনা গোল অমগা চনশিনখিবা অদুদা এস এফ সীগী শান্নরোয়শিং ককঙাওনখি। মেচকী ১৪ শুবা মিনিটতা অমুক এম এফ এগী মালেমঙানবনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মহাক্কী টিমনা গোল ৩-০ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা এস এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা এম এফ এনা অহানবা হাফতগী হৌনা মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা গোলশিং অদু হন্দোক্নবা কন্না হোৎনখি। অদুবু এম এফ এগী শান্নরোয়শিংনা এস এফ সীগী এটেকশিং অদু নীংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখিবনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এম এফ এগী কোন্থা খাবমনা এস এফ সী খা সঞ্জেনবমবু গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখি।

# সব-জুনিয়র গর্লসকী এম লক্ষ্মী অমসুং কেঐচ অপসরা ফাইনেলদা থেংগাইনরগনি



জিরিবাম, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসন (এম এ বি এ) না শিন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী বোক্সিং এরিনাদা পাঙথোকপা নুপী অমসুং নুপাগী ওইবা ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী সব-জুনিয়র গর্লস কেজি ৪০ দগী ৪২ গী কেটিগরিগী সেমি ফাইনেলদা মায় পাক্তুনা ককচিংগী এম লক্ষ্মী অমসুং বিষ্ণুপুরগী টিঐচ অপসরা ফাইনেলদা হয়েং থেংগাইনরগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সব-জুনিয়র বোইজ কেজি ৩৬ তগী ৩৮ কেটিগরিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা তমেংলোংগী টিঐচ নিলভিরনা চান্দেলগী কিনি নিংথৌজমবু মায়থীবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল চঙখি। কেজি ৩৮ দগী ৪০ কেটিগরিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা বিষ্ণুপুরগী কেঐচ বিকাশ অমসুং জিরিগী এল দিলিপকুমার মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

কেজি ৪৪ দগী ৪৬ কেটিগরিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা সেনাপতিগী এম খৃষ্টিনো রেনিস, চুড়াচান্দপুরগী চিংলেম্বা মোইরাংথেম অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী এল রোবর্ট মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

কেজি ৪৬ তগী ৪৮ কেটিগরিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱিল্লেবা অথোকপম, ককচিংগী এ প্রেমানন্দ, চুড়াচান্দপুরগী এল সাইচুঙম কোম অমসুং বিষ্ণুপুরগী এল রাধেশ্যাম মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। কেজি ৪৮ দগী ৫০ কেটিগরিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা কাংপোকপীগী মলাগানপু কামৈ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী টিঐচ সুরজ মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

কেজি ৫২ দগী ৫৪ কেটিগরিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা তমেংলোংগী ৱাই ভেনস মৈতৈ, উখ্রুলগী আই রোসন মৈতৈ, ইম্ফাল ইষ্টকী এ বিজেন মৈতৈ অমসুং সেনাপতিগী টিঐচ লেনিনসন মৈতৈ মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

সব-জুনিয়র গর্লস কেজি ৩৬ তগী ৩৮ কেটিগরিগী সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা বিষ্ণুপুরগী ৱাই ভেনিকা চনু অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী এল প্রীতি শান্নখিবা মেচ অদু ৱাই ভেনিকা চনুনা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখ্রে। কেজি ৩৮ দগী ৪০ কেটিগরি সেমি ফাইনেল মেচশিংদা কাংপোকপীগী গ্লোরিয়া কারোং অমসুং বিষ্ণুপুরগী এন সাগর চনু মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

কেজি ৪০ দগী ৪২ কেটিগরিগী সেমি ফাইনেল মেচশিংদা ককচিংগী এল লক্ষ্মী অমসুং বিষ্ণুপুরগী টিঐচ অপসরা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখ্রে। কেজি ৫০ দগী ৫২ কেটিগরিগী সেমি ফাইনেল মেচশিংদা তেংনৌপলগী টিঐচ হিমালয়া চনু অমসুং ককচিংগী ঈ থোইথোই চনু মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

জুনিয়র গর্লসকী কেজি ৪৪ দগী ৪৬ কেটিগরিগী সেমি ফাইনেল মেচশিংদা সেনাপতিগী অথিফ্রো জিনভিএনে অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী ও পিঙ্কি চনু মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখ্রে। সিনিয়র ৱুমেনগী কেজি ৫৭ কেটিগরিগী সেমি ফাইনেল মেচতা ইম্ফাল ইষ্টকী এস রোজিতা চনুনা চুড়াচান্দপুরগী সর্টো জুলিয়া কোমবু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখি। কেজি ৬৬ কেটিগরিগী সেমি ফাইনেল মেচতা ইম্ফাল ইষ্টকী এল নিলমনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী অঞ্জলি ছটিস মোরেবু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখ্রে।

## মণিপুর জিৎ কুনে-দো টিমনা ৩ শুবা তারক্লে



ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস) ঃ কাশ্মীরগী শ্রীনগরদা লৈবা শের ঈ কাশ্মীর ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌখিবা জুলাই ১৮ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোকখিবা ফেদরেসন কপ জিৎ কুনে-দো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা শরুক য়াদুনা গোল্ড মেদল ৩৩, সিলভর মেদল ৭ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৩ ফংদুনা মণিপুর জিৎ কুনে-দো টিমনা অহুমশুবা পোজিসন তারক্লে।

ষ্টেট কয়াগী মার্সিয়ল আর্ট শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ফেদরেসন কপ জিৎ কুনে-দো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা এস সঞ্জিতা, এন রানি, এ টেনিসন, সীঐচ বোরিস, পি মংলেমজাও, এল মালেমঙানবা, এস অমরজিৎ, এস ঐচ কিশন শর্ম্মা, এস কেনেদি, এন রোবর্টসন, এল দিনেশ, এম হেরোবা, সমানন্দ লাইশ্রম, কে ঐচ চিঙ্খৈঙানবা, কে ঐচ ওসিন, সী ঐচ নিংথেম, এ আর খানথিং অমসুং মাসুঙম হোরামনা গোল্ড মেদল অমমম; অকোইজম ওমিতা, এন জি সানিয়া অমসুং এল সোফিয়ানা গোল্ড মেদল অনী অনী অমদি এম লোয়াঙম্বনা গোল্ড মেদল ৩; এল গিতাঞ্জলি, এন লনচেনবা, এ অবিত, আর কে রোজিৎ, কে রোনাল্ডো, সী ঐচ জয়চন্দ্র অমসুং নিমরৈসো খোদাংনা সিলভর মেদল অমমম লৌখি। অদুগা প্রিয়া লোইতাম, সী ঐচ কুঞ্জবিহারি, জি অর্জুন শর্ম্মনা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারুবা মণিপুর জিৎ কুনে-দো টিমগী ওফিসলশিং অদুদি টিম কোচ ওইনা নিংশুং হুংয়ো, এসিষ্টেন্ট টিম কোচ ওইনা সী ঐচ নিংথেম, লেদিজ টিম কোচ ওইনা এস কিরনবলা অমসুং টেক্নিকেল ওফিসল ওইনা আই জে কে দি এফকী ইন্টর্নেসনল জজ ডো. এম ইবোমচানি হায়না জিৎ কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ডো. মোইরাংথেম ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## চাইনাগী অনী লম্বা তৌনরগনি

বৈজিং, জুলাই ২৮ (এজেন্সী) ঃ

চাইনান য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুদা পাঙথোকপা জিয়াংজি ওপন দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্ট ফাইনেলদা চাইনাগী শান্নরোয় অনী লম্বা তৌনরগনি।

চাইনাগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা ৱাং কিয়াংনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা পোলেন্দগী শান্নরোয় মাকদা লিনেটপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭-৫, ৬-২ দা থোইখি। মেচ অদুগী অহানবা সেট শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদগী লম্বা মান্নখি। অদুবু চাইনাগী শান্নরোয় অদুনা লোইশিল্লকপদা ফজবা হেনখিবনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। অনীশুবা সেটতদি পোলেন্দগী শান্নরোয় লিনেটকী মায়কৈদা চাইনাগী কিয়াংনা চথখিবা এটেকশিং অদু মগুন লৈবা হেনখিবনা ৬-২ দা থোইদুনা ৱাং কিয়াং ফাইনেল য়ৌখি।

ৱাং কিয়াংনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় অদু চাইনাগী ঝেং সাইসাইনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৬ শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী ঝেং সাইসাইনা সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোয় ঝু লিনবু ৬-৩, ১-৬, ৬-২ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌখি। টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ২০১৬ তগী হৌদুনা পাঙথোরকপনি।

# লালপানি এস ৱাই সীনা ওরিয়েন্টেল ক্লব অমদি আর ৱাই সীনা কুকি এস সীবু মায়থীবা পীখ্রে



জিরিবাম, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস)ঃ দিবোংদা লৈবা চান্দম বিরেনগী লৈখিদ্রবা মচানুপীগী মমিংদা কৎচদুনা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জে এস এ) জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ১৫ শুবা চান্দম ইনুংঙানবা মেমোরিএল মিনি বোইজ অন্দর ১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা লালপানি এস ৱাই সীনা ওরিয়েন্টেল ক্লব অমসুং আর ৱাই সী রামজাইজাংনা কুকি এস সীবু মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা টিম ১২ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা লালপানি এস ৱাই সী অমসুং ওরিয়েন্টেল ক্লব শান্নখি। মেচ অদু এস ৱাই সীনা ওরিয়েন্টেল ক্লবপু লাকচরপ তৌনা শান্নখিবনা মেচকী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা লালপানি এস ৱাই সীনা গোল ৪-০ দা মায় পাকখি। লালপানি এস ৱাই সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জোইনালনা মেচকী ২১ শুবা অমসুং ৬৭ শুবা মিনিটতা গোল ২, লালথুপেকনা মেচকী ২৮ শুবা অমদি সুপুরিনা মেচকী ৬৩ শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা আর ৱাই সী রামজাইজাং অমসুং কুকি এস সী শান্নখিবা মেচ অদু আর ৱাই সীনা গোল ২-০ দা মায় পাকখি। আর ৱাই সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু গাইবিনদিননা মেচকী ৫৯ শুবা অমসুং পাউগুনলুংনা মেচকী ৬৫ শুবা মিনিটতা চনখি।

## চেম্পিয়ন হিমা দাস জকরতা মীট ২০১৮ মিক্স টিম রিলে য়াওরোইদৌরি

গুৱাহাটি, জুলাই ২৮ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়াগী এথলেটিক্সকী লমদা অনৌবা লমায় অমা হাংদোকপা ঙমখ্রবী লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী মনুংদা লৈরিবা অসামদগী হৌখিবী হিমা দাসনা মথং থাগী ১৮ দগী ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমসকী মাঙওইননা লৈবাক অদুগী সিটি জকরতাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টর্নেসনল এমেচর এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) গী নুমিৎ হুম্নি পাঙথোক্কদবা চহী ২০ মখাগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মিক্স টিম রিলে ইভেন্ট শরুক য়ারোইদৌরি।

নীংশিংবা য়াবদি, হিমা দাস চহী ২০ মখাগী ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোমেন্স উৎতুনা গোল্ড মেদল ফংলগা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা লমায় অমা হাংদোকপা ঙমখিবনি। মহাক্না জকরতা আই এ এ এফকী চহী ২০ মখাগী চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মিক্স টিম রিলেগী ইভেন্টতা শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরি।

ইভেন্ট অদুদা হিমা দাসনা শরুক য়ারোইদবগী মরম অদু মফম অদুদা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী মিটর ২০০ গী লমজেলগী মতম অদুগা রিলেগী মতমগা ফাংজিন্নবা মরমননি হায়না ফোঙদোক্লকখি।

## ইন্দিয়াগী ষ্টার এথলেট নিরজ চোপ্রাগী হান্নগী কোচ গেরি কলভর্ট লৈখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৮ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়াগী জেভলিন থ্রো ইভেন্টকী ষ্টার এথলেট ওইরিবা নিরজ চোপ্রাগী করিয়রদা লমজিং-লমতাক্লম্বা হান্নগী কোচ গেরি কলভর্ট লৈখিদ্রে।

নিরজ চোপ্রানা কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা জুনিয়র ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপতা জেভলিন থ্রো ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংবতা নত্তনা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবা অদু ওষ্ট্রেলিয়া মচা গেরি কলভর্টকী মীৎয়েং মখাদা ঙমখিবনি। গেরি কলভর্ট চাইনাগী সিটি বৈজিংদা ঙরাং লৈখিদবনি। নিরজ চোপ্রানা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টতা মহাকপু লমজিং-লমতাকপীরম্বা গেরি কলভর্টনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অদুদা নুংঙাইতবা অমদি কোচ অদুনা মহাকপু মালেমগী থাক্তা পুখৎপীরম্বা অদুগী থৌদাং অদু নীংশিংবা ফোঙদোকখি।

নিরজ চোপ্রানা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা মখা তাবা ইন্টর্নেসনল এথলেটিক্স মীটশিংদা শরুক য়াবগী পান্দম থম্বগা লোয়ননা মহাক্কী থাগী তোলোপকী চাং অদু হেনগৎপীনবা ফোঙদোরক্লি।

## ইন্দিয়াগী হোক্কীদা মতম পূম্নমক্তা মায়োক্নবা টিমগী পাঞ্জল ঙাকথোক্নবা হোৎনগনি : শ্রীজেস



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৮ (এজেন্সী)ঃ মালেমগী নুপাগী ফিল্ড হোক্কীদা মমিং লৈরবা ইন্দিয়াগী টিমগী গোলকিপ্পর পি আর শ্রীজেসনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না শান্নরিঙৈ মতমদা মায়োক্নবা টিমশিংগী পাঞ্জল মতম পূম্নমক্তা ঙাকথোক্নবা শেম-শাদুনা লৈ হায়খ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কীগী পুৱারীদা ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেদল ৮ লৌদুনা অচৌবা কাখল অমা থম্বা ঙম্লি। অদুবু মশান্না অসিদা হোংলক্লিবা মতমগী চৎনবীদা কুমজা ১৯৮০ গী মোস্কো ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা গোল্ড মেদল ফংখিবা অদুগী মতুং ঙসি ফাওবদা ওলিম্পিক্সকী মেদল অমফাওবা ফংদনা লৈরি।

টিম অসিগী গোলকিপ্পর ওইরিবা এক্সপিরিএন্স লৈরবা পি আর শ্রীজেসনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী হোক্কী টিম অসিনা অতোপ্পা টিমগা লম্বা তৌনবদা মহাক্কী মায়কৈদগী শেম-শাদুনা অরোইবা মীকুপ ফাওবদা মায়োক্নবা শান্নরোয়না য়ৈশিল্লকপা সোর্ট খূদিংমক ঙাকথোকপা ঙম্নবগী পাঙ্গল অদু শেম-শাদুনা লৈরি হায়খ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অসিদা পি আর শ্রীজেসকী মতেং পাংননবা অকাশ চিকতে অমসুং সুরজ কারকেরা মশা খিংনা শেম-শাদুনা লৈরি। এক্সপিরিএন্স য়েংনরুবদা নহা ওইরিবা অকাশ চিকতে অমসুং সুরজ কারকেরাগী মেচ মশীং অদু পি আর শ্রীজেসকা চাংদম্নরুবদা য়াম্না ৱাৎনা লৈরি।

পি আর শ্রীজেসনা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমগী গোলকিপ্পর ওইদুনা টিম অসিনা শরুক য়াখিবা মরুওইবা টুর্নামেন্ট কয়াদা ইন্দিয়াগী টিম অসিবু মায়োক্নবা টিমনা চনশিল্লক্কদবা সোর্ট কয়া ঙাকথোক্তুনা লৈবা ঙমখি। অদুবু মহাক্কী থৌদাং অদু মপূং ফারবসু ষ্ট্রাইকরশিংনা পাঞ্জল চনবা ঙমদবদগী ইন্দিয়াগী টিম মকোক থোংবা ওইবা ঙমদনা লাক্লি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com